# শম্নপ্পা ৰারোল

ইকাই খুমন্নীংঙাই ওইরবা হিউমেন রিসোর্স দিবেলপমেন্ট মিনিষ্টরনা লোক সভাদা, NCERT না NCF রীভিউ তৌগদবনী হায়খ্রবগী মতুংদা, NCERT গী তাং ১৪-১৮ জুলাইদা পাংথোকখিবা মীফমদা, নেসনেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক রীভউ তৌননবগী ৱারেপ লৌখী । মতম অসিমক্তদা, MHRDগী ইদুকেশন সেক্রেতরীনা NCERT গী দিরেক্তরদা, লরনিং ৱিদাওত বরদন (১৯৯৩) রিপোর্তনা লীচীং ওইরগা নেসনেল করিকুলম ফ্রেমৱাক ´ফোর সেকেনদরি ইদুকেসন ( NCFSE, 2000)বু রীভউ তৌবা তঙাইফদে হাইনা খংহনবীরকখী । পনজখ্রিবা ৱারেপশিং অসিদা য়ুমফম ওইরগা, প্রোঃ য়াস পাল্মা থৌবুরেল ওইবিবা নেসনেল ষ্টিয়রিং কমিতি অমা অমসুং নেসনেল ফোকস গ্রুপ ২১ শেমখী। কমিতি অসীদা থৌদাং লৌরীবা মীওইশীং অসি ওজাশীং, NGOশীং অমদী অৱাংবা থাক্তা লৈরীবা মীওইশীং য়াওরী । অচৌবা খন্ন-নৈনবগী মঙা - মহিশুর, আজমীর, ভোপাল, ভুবনেশ্বর অমসুং শীলোং দা পাংথোকখী । SCERT শীং, ষ্টেত সেক্রেতরি , একজামীনেশন বোর্দ গা লোইননা খন্ন-নৈনখী । নেসনেল কনফর্রেনস ওন রুরেল তিচরস পাংথোক্তুনা মখোয়দগী মোৎ লৌখী । ই-পাও চে শীংদা এদভরতীসমেন পীদুনা মীয়ামগী মোৎ লৌখী ।

নৌনা শেমদোক্লবা NCF অসিগী অহানবা লামাইমক্তদা , রাবিনদ্রনাথ তেগোরনা ইবা সিভিলাইজেসন এন্দ প্রোগ্রেস হায়ৰ ৱারেংদুদগী লৌথোক্লকপা ৱাহৈ খরা থমজরি। কবি রবিন্দ্রনাথ না ঐখোয়দা অঙাং ওইবগী অশেংবা শক্তম হায়বদী কৃএতিব স্পীরীত অমশুং মপুং ফানা নুংঙাইবা হায়বশী করীনো হায়না খংহনবদা নৎতনা ৱাখল খনদ্রবা মীওইশীংনা মশীবু মাংহললী হায়না হায়রী । অহানবা লমাইদা, নীংতমবা ফংলবা মতুংদগীনা ঙশী ফাওবদা অফবা করিকুলম অমা পুরকনবা হোৎনখীবশীংগী ৱাফম খন্ন- নৈনরী । নেসনেল পোলীসী ওন ইদুকেশন (NPE, ১৯৮৬) না নেসনেল করীকুলর ফ্রেমৱার্কপু, নেসনেল শীষ্টেম ফোর ইদুকেসন অমা পুরকনবগী লমবী ওইহন্নবা অমদী সংবীধানদা শুপতুনা য়াওরীবা লৈবাক পুমনমক্কী ওইনা চাওখৎপী ওইহন্নীংবা মওং মতৌ অদুগা ইরোইনবা কোর কমপোনেন্ট অমা শেমনবগীদমক হায়রী। প্রোগ্রাম ওফ একসন (POA-1992)দশু রেলিভেন্ট , ফ্লেকশীবিলিতি , ক্বলিতিদা হেন্না পুকনীং চীংশীন্নবা হায়রী । ভারতকী সংবীধাননা হায়বা সেকুলর , ঈগলিতরিয়ান , প্লুরেলিষ্টিক ওইবা সমাজগী মীৎয়েংদা য়ুমফম ওইরগা শাগৎপা সোসিয়েল , জষ্টীশ , ইক্বেলিতি দা য়ুমফম ওইদুনা দোকুমেন্ট অসিনা মহৈ মশীং তমবগী পানদম খর মশক তাকলী। মনীং তমনা ৱাখল খনবা অমদী থবক তৌবা, অতোপ্পগী পুকনীং ইথিল অমদী য়ায়ফববু খংজিনবা ঙমবা, অনৌবা ৱাখল, থবক অমদী মফমশীংদা হীংবা ঙমবা দেমোক্রেশীগী থবক থৌরমদা য়াওশিনবা ঙমবা অমসুং শেন থুম অমদী খুনাইগী ওইবা থৌরমশীংদা শরুক য়াবা ঙমবা হায়বশী য়াওরী । সেবা তৌববু দেমোক্রেশী হীংবগী শক্তম ওইনা তমবীবা হায়বশী সংবীধান হোংদোংখীবনা মরম ওইদুনা ইলিমেনতরী ইদুকেসনবু ফনদমেনতেল হক ওইহললকখীবা মতুংদা থবক ওইনা ওনথোককদবনী। অঙাংশিংগী হকচাং ফনা থমবা , চাবা থকপা ৱাৎহনদবা অমদি খেৎনবা কয়া লৈবা অঙাংশিংবু পুকনিং থৌগৎপা য়াবা শকুলগী থৌওং, কষ্ট , নুপা অমদি নুপীগী খেৎনবা নামা-শোয়বা অঙাংশিংবু করিগুমবা খুদোংচাদবা অমতা য়াওদনা লাইরিক -লাইশু তমবগী খুদোংচাবা পীবা।

তশেংনমক, মহৈ-মশিং তমবা হাইবসী পোৎলুম অমা ওইরক্লীবা অমদি অঙাংশিংগী হেন্না ৱাহল্লক্লীবসিনা, মহৈ-মশিং তমবগী পানদম অমদি মগুনদা অশোয়বা লৈরে হায়বসী তাকচরবনি। অশোয়বা অসি চুমথোকনবগীদমক, হৌজিকময়ামগী মাংদা থমজরিবা করিকুলর ফ্রেমৱার্ক অসিনা ৱাখল্লোন মরিখক করিকুলমবু শেমগৎ-শাগৎপগী লমতাক-লমজিং ওইনা থমজরি।

১। মহৈ লোইশংগী মনুংদা তমলীবা লৌশীং অমদি মপানগী লৌশিং অনীগী তৎনা থানবা য়াদবা মরি শেমগৎপা;

২। চিনফা পুবগী হৈনবীদা য়ুমফম ওইবা তমবীবগী চৎনবীদগী তঙাইফদনা থাপতোকপা;

৩। টেক্সবুক্কী ঙমখৈ ৱাংমদা মীৎয়েং থমদুনা করিকুলমবু হেন্না মপুং ফাহনবা;

৪। পরিক্ষাবু হেন্না ফ্লেকসিবল ওইহনবা অমদি মহৈ তমফম লোয়শংগী মনুংদা ওইরীবা অশেংবা শক্তমগা হেন্না নকশিন্নহনবা।

প্রাইমরিগী থাক্কিদমক পেদাগোজি শেমগৎপদা, আরলি চাইলদহুৎ কীয়ার এন্দ ইদুকেসন (ECCE) বু হেন্না পাকথোক চাওথোকহনদুনা অমদী মদুদগী ফংলকপা লৌশীং অদুনা লংলা লংজীন ওইহনগদবনী। তশেংনমক্তি প্রাইমরীগী থাক্কী শেমগৎ-শাগৎপা হায়বসি ECCE গী ময়ামনা য়ানরবা প্রিনসীপল শীংগী মীৎয়েং মখাদা ওইগদবনী । লৌশীংগী মওং মতৌ অমদী অঙাংশীংনা মশীবু করমনা তমবগে হায়বশী তাংকক অনী শুবদা খন্ন-নৈনরী, মশীগী খন্ন নৈনবশীনা শেমলকপা থিওরী গী য়ুমফমদুদা করিকুলর এরীয়া শেমগৎলকপগী ৱাফম তাংকক অহুম শুবদা থমজরী । লৌশীং হায়বশী অঙাংশীংনা শেমগৎ শাগৎকদবনী হায়বশীগী মতুং ইননা মথৌ তারকলীবা ৱাফমদী মশীনী করীকুলম, শেলেবস অমসুং টেক্সবুক হায়বশীংশীনা ওজাশীংবু মাগী মাগী ক্লাসতা অঙাংশীংগী হৈনবী অমদী ইনভাইরনমেনতগী মতুং ইন্না ক্লাসতা করী তৌগদগে হায়বশী নিংতমনা লেপপা ঙমজহনগদবনী ।অঙাংশীং মশাগী ওইবা পামজবু হেন্না মপুং ফাহনবা অমদী করমনা তমগদগে হায়বশীগী থৌরাংনা মহৈ মশীং তমবীবগী পানদম ওইহনগদবনী । লৌশীং হায়বশী ঈপাও দগী খেৎননা থমবা মথৌ তায় । মহৈ মশীং তমবীবা হায়বশী পোঃ ওইবা থবক অমা ওইগদবনী, মশী চিনফা পুবা অমদী ঈ-পাও পীবা ওইনা লৌবীরোইদবনী । একতীভীতী হায়বশী অঙাংশীংদমক মখোয়না মখোয়গী পুনশীবু অকোইবদা লৈরীবা পোৎশকশীংগা মরী লৈনরকনবগী তঙাইফদবা খোংথাংনী , অদুনা অঙাংশীংদা মখোয়গী অকোয়বদা লৈরীবা মচাক মথুম পুমনমক শীজীন্নদুনা অঙাংশীংনা মশানা মশাগী ৱাখল ফোংদোকচবা, মখুৎনা অকোয়ব্দা লৈবা পোৎশীংবু পায়দুনা শীজীন্নবা অমদী অকোয়বদা লৈরীবা মহৌশাগী ওইবা পোৎলম কয়াবু অমদী খুনাইগী ওইবা ৱাফম কয়া নৈনজদুনা হেন্না মপুং ফাবা, মশা ফবা অঙাং অমা ওইনা হিংজনবগী খুদোং চাবা পীবীগদবনী । করীগুমবা ঐখোয়গী পানদম অসীনা অঙাংশীংনা মশানা লৌশিং শাগৎপা ঙমহনবা হায়বসী ওইরবদি তঙাইফদনা ঐখোয়গী মহৈ-মশিং তমকী চৎনা পথাপতা অমদী করিকুলর এরিয়াশিংদা , সবজেকশিংদা অমদী ক্বলিতি হেনগৎনবগীদমক মচাক-মথুমনচীংবগী মতাংদা অনৌবা ৱাখল্লোন পুরকপা তঙাইফদে। ময়ামনা খঙনরবা করিকুলমগী মচাক মরি লোন , অঙ্ক, বিজ্ঞান অমশুং সোসিয়ল সাইন্স হায়বসিদা , ঙসিগী অঙাংশিংগী অৱাবসিবু হনথহন্নবা অমশুং মহৈ-মশিং তমবা হায়বসী ঙসি অমদি হয়েংগী ঐখোয়গী য়াইফ ৱখলদা য়ুমফম ওইনবগীদমক অচৌবা অহোংবা অমা পুরকনবা দোক্যুমেন অসিনা ঐখোয়গী পুকনীং চিংশিল্লী। অমুক্কশু সবজেক অমগা সবজেক অমগগী মরক্ত লৈরিবা ঙমখৈ অদুবু য়রিবমখৈ লৌথোক্তুনা অঙাংশিংনা ইনতিগ্রেতেৎ নোলেজ অমা অমশুং অনদরষ্টেনদিং লৈবদা নুংঙাইবগী মহাও অদু ফঙহন্নবা তাক্লী। মসিদশু নৎতনা টেক্সবুক্তা ইরিবা লৌশিংশিংগী মখল

মথেল হেন্না য়াম্নহনদুনা লৈকায়গী ওইবা লৌশিং অমদী চৎনবীনা পীবা মহৈমশিং ,অমশুং অঙাংগী য়ুম অমশুং খুনায়গী ইনভাইরনমেনকা ঈরোইনদুনা শেমবা ওইহননবগীদমক পাওতাক পীরী । লোলগী মতাংদা অঙাংগী মমালোনবু খ্বাইদগী ফবা তমবীবগী লোন ওইহনদুনা লোল অহুমগী ফোরমুলাবু থবক ওইনা ওনথোকনবগী অনোবা খোংজং অমা চংশনশী হায়না হায়রী । ভারতকী লোল কয়া (হৈংলীসশু য়াওনা) লৈবগী থৌওং অসি হেন্না পুকনীং থৌগৎপীগদবনী । মশী ওইথোকনবগীদমক মমালোনদা মহৈমশীং তমবীবগী অফবা পেদাগোজী অমা মথৌ তায় । পাবা অমসুং ইবা, তাশীনবা অমসুং ঙাংবা হায়বশী করিকুলম এরীয়া শরুক অমা ওইবদা নৎতনা করিকুলমগী থৌরাং পুমনমক মশীদা য়ুমফম ওইগদবনী । পাবা হায়বশীদা হেন্না পুকনীং চীংশীনবা হায়বশী প্রাইমরীগী থাক্কীদমক মহৈ লোয়শংদা তমবীবগী য়ুমফম ওইগদবনী ।

অঙ্ক তমবীবা হায়বশী অঙাংশীংনা ৱাখল খলবা অমদী অচুম-চুমদা পুথোকপা, পোৎশক্কী নৎতবা অবষ্ট্রেক আইদীয়াশীং শাগৎপা অমদী মদু শীজীন্নবা, প্রোব্লেম শেমগৎপা অমদী মশীগী শোলুসন পুথোকপা ঙমনবগীদমক তমবীবা ওইহনগদবনী । হায়জখ্রীবা পুমনমক অসী তমবীগে হায়রবদী অঙাংশীংগী ৱাখলদা হান্না লৈজরবা একসপিরীএনসতা য়ুমফম ওইনা তমবীবনা ওইথোকহনগনী । অঙ্ক তমবীবদা মাই পাকপা হায়বশী অঙাংশীংগী ফংফম থোকপা হক অমা ওইনা লৌবীগদবনী । অঙ্ক তমবীবগী স্কোপ চাওথোকহনবা অমসুং সবজেক পুমনমক্কা মরী লৈনহনবা তঙাই ফদে । কমপুতরগী মচাক শাবা, সোপওয়ার শেমবা অমসুং মহৈ লোয়শং পুমবা কমপুতরনা অমগা অমগা সমজীন্নবা হায়বসী মথৌ তায় ।

বিজ্ঞান তমবীবা হায়বসি অঙাংশিংগী নুমীৎ খুদিংগী ওইবা একসপিরীএনসবু থিজিন হুমজিনবা অমদি মচা খায়না নৈনবা ঙমনবা ওইগদবনী। ইনভাইরনমেন্টগীদমক ৱাখল খনবনা লমজিংবা চাংয়েং কয়া মহৈ লোয়শংগী মপালদশু য়াহনগদবনী। মসীগুমবা চাংয়েংশীং অসীদগী ইহৌরকপা ৱাখল খরদী ময়ামগী দাতা বেজ অমা শেমদুনা শীজীন্নবা য়াই । চিলদ্রেন সাইন্স কোঙ্গ্রেসগুমনা ভারতা নত্তনা সাওথ ইষ্ট এসিয়াদা দিসকোবরি লরনিং হেন্না পাকথোক-চাওথোকহন্নবগীদমক সোসিয়েল মুবমেন্ট অমা ঐখোয় পুমনমকনা খনবা হৌগদবনী।

সোসিয়েল সাইন্সতা মশক থোকপা থিমশিং, খুদম ওইনা ঈশিং হায়বনচিংবা হেন্না পুকনিং চিংশিনদুনা তমবীবগী ৱখল্লোনদা পুশিনগদবনী। শোৎথহৌরবা মীওই কাংবুশিংগী মীৎয়েংদা য়ুমফম ওইবা সোস্যিল সাইন্স তমবগী মওং অমা পুরক্তুনা পেরাদ্যমদা অহোংবা পুরকনবশু হায়রী । জেনদর জষ্টিশ অমশুং ট্রাইবেল , দলিতশিংগী ৱাফমদা সেনসিটিবিটি হেনগৎহনদুনা অমশুং মাইনোরিতীশিংগী অৱাবাশিংবু মীয়ামদা খংহন্নবগীদমক সোসিয়েল সাইন্স তমবীগদবনী। সিভিক্স তমবীবা মতমদা পোলিতীকেল সাইন্স তমবীবগী ৱাখল্লোন পুশিল্লকদবনী অমশুং ইতিহাস তমবীবদা অঙাংশিংগী ৱাখলদা , মখোয় মশাগী মশক তাকচবা ঙমবগী ৱাখল লৌশিং পিবীগদবনী।

NCF অসীনা অনৌবা করীকুলমগী মফম ৪দশু পুকনীং চীংশিল্লি । মদুদি শুব-নোমবা ,কলা অমশুং হেরিতেজ ক্রাফ , হেলথ এন্দ ফিজিকেল ইদুকেসন অমশুং শান্তী। ৱার্ক কী মতাংদা, অনৌবা রেদীকল ওইবা খোংজং খর পীরী মদুদী প্রাইমরী থাকতগী হৌরগা ৱার্ক হায়বসী তমবগা মরী লৈনহনগদবনী মরমদী থবক হায়বসীনা লৌশীংবু একসপীরীএনস ওইনা ওনথোকই অমদী মশাগী অমদী খুনাইগী

ওইবা ভ্যেলুশীং খুদম ওইনা মশানা মরোমদোম লেপচবা, ক্রীতীভীতী অমসুং পুন্না থবক তৌমীন্নবা । সেনীয়রগী থাক্তা থবক হায়বশী মহৈ লোয়শংগী ব্রাংমদা লৈবা মচাক মথুমশীং শীজীন্নদুনা হীংবগীদমক মরী লৈন্নবা ইদুকেসন অমা পীবা ঙমহনগনী । অসীগুমবা মহৈ লোয়শংগী মপানগী এজেনতশীং অসী এক্রেদীসন মথৌ তাগনী । অঙাংশীংনা থবক তৌফমশীংদা খুলায় শীজীননদুনা তমজবা ফংগনী । খুনাইদা লৈজরবা শীলশীংগী মেপ শেমদুনা ভোকেসনেল ত্রেনীং পীগনী।

কলা হায়বসী সবজেক অমা ওইনা, মফম ৪ হায়বদী ঈশৈ-নোংমাই, জগোই, ভীজ্যেল অর্ত অমসুং থীয়েতর হায়বসী তমবীনবগীনদমক হায়রী । ইনট্রকসনগী মহুৎতা ইনতরিএকসননা হেন্না মপুং ওইগদবনী মরমদী অর্ত ইদুকেসনগী পানদমদী এসথেতীক অমসুং মশানা মশাবু মশক খঙজবা হেনগৎহনদুনা মশাবু তৌঙান তৌঙানবা মওংদা ফোদোকচবা ঙমহনগদবনী । ভারতকী হেরীতেজ ক্রাফ, শেলথুমগী ফীভম অমদী এসথেতীক্স ওইনা করীকুলমদা তমবীবগী মথৌ তাবদু খংবীগদবনী । অঙাংশীংগী মায় পাকপা হায়বসি মখোয়না চারীবা চীজ্জাক অমসুং হকচাংগী ফনবগীদমক শীনবা থৌরমশীংগী মখা পোল্লী ।মরম অদুনা মীদ-দে মীল হেন্না চাওথোকহনবা মথৌ তাই । প্রি-শকুল দগী হৌনা অঙাং পুমনমকপু মশা-মউ ফনা থমবা অমদী নুপামচাশীংনা ফংলীবা শান্ন-খোৎনবগী খুদোংচবদুদগী তাদনা নুপীমচাশীংবুসু ফংহনগদবনী ।

জাতী অমা চাওখৎনবগীদমক, শান্তী লৈনা হীংবা হায়বশী তঙাইফদবনী । ঙসীগী মলেম অসীদা অতোপপা মীওইশীংগী নীংতমববু ইকাই খুমন্নীংদবা অমসুং নম-হাদুনা ঐখোয়গী অনীংবা-অপামবা ফংনবা হোৎনবনা চৎনবী ওইরক্লীবশীদগী কন্নবা ভ্যেলুগী ফ্রেমবার্ক অমা থমলশী হায়না হায়জরী । দেমোক্রেতীক অমশুং অচুমবা কলচর অমা তশেংনা ওইহন্নবগীদমক মথৌ তৌরিবা এক্তিভিটিশিং সবজেক পুমনমকী তোপিকশিংদা অমদী ষ্টেজ পুমনমক্তা য়াওহল্লবদী অঙাংশিংবু পিছ ইদুকেসন্না মমাংদা হায়খিবা অসি ওইহনলকপগী খুদোংচাবা লৈ। পিছ ইদুকেসন হায়বসি ওজাশিংগী ইদুকেসন করিকুলমদা য়াওহনগদবনী।

মহৈ লোয়শংগী ব্রাখলগী ইপোম-ইরৈ হায়বসী করিকুলমগী শরুক অমনী । মরমদী মহৈ-মশিং তমবদা মায় পাকপা হায়বসিগা মদুগা মরি য়ামনা লৈনৈ। মচাক-মথুম অমা ওইনা মহৈ লোয়শংগী মতম অসী হোংদোক-হোংজিন য়াহনগদবনী। লৈকায়গী ওইনা থৌরাং তৌবা য়াবা কেলেনদর অমদী তাইম তেবল থমগদবনী। মহৈ লোয়শংগী মপালদা য়েঙবদা কান্নবা মফমদা চৎতুনা মহৈ তমবা য়াহনগদবনী। তমবীবদা চংবা মচাক-মথুম ময়াম অমা খুদম ওইনা লাইরিক, লায়ব্রেরিনচিংবা মতিক চানা থমগদবনী। FNC সিনা সেনীয়র সেকেন্দরীগী থাক্তা মখল মখা কয়াগী ওপসন থমবা অমদী ওপসন অমদগী অমদা চৎথোক চৎশিন য়াহনদুনা ঙসিগী ওইরিবা ফিক্স ষ্ট্রীম অমখক্তা লৈহনদুনা অমদী খুঙ্গঙগী লমদা লৈবা অঙাংশিংদা খুদোংচাবা য়ামনা পির্বিদ্রিবশী লৌথোক্কদবনি।

চৎনপথাপদা অহোংবা পুরকপা অমদী মহৈ লোয়শংশীংগী মশানা দায়তা লৌবা হেনগৎহন্নবগী খোংথাং অমা ওইনা কম্যুনীতীগী শরুক য়াবা পুকনীং থৌগৎপা খোংজং অমা পনচ্যাতী রাজবু মপাঙ্গল কলহন্নবা দোক্যুমেনশিনা হায়রি। মহৈ লোয়শংগী ওইবা থাক্তা একাদমিক প্লেনিং অমদী লিদরসিপ মথৌ তাই, ব্লোক অমদী ক্লষ্টর লেবেল দা তোঙান তোঙানবা শকওং মথৌ তাই। তিচর ইদুকেসনদা চদোপোদিয়া কমমিসন (১৯৮৪) রীকোমেনদ তৌখীবা প্রোঃ নোঃ বু হৌখীবা চহী খরসীদা ইনবীষ্ট্রীব্রীবশীদগী কনবা য়ানবা

অনৌবা খোংথাং মথৌ তাই । প্রী- সারভীস ত্রেনীংগী থৌরমদা হেন্না মপুং ফাহন্নবা মতম শাংদোকহনবা মথৌ তাই । ত্রেনীং মনুংদা অঙাংশীংগা লোয়ননদুনা করমনা অঙাংশীংদা তমবীবগী থিওরী অমদী প্রাকতীস শাগৎকদগে হায়বসী তমগদবনী ।

পরীক্ষাগী অহোংবা পুরকপা হায়বসীনা চৎনপথাপদা অহোংবা পুরকনবগী মরু ওইবা থবকনী । করীকুলমবু নৌহৌননা ফগৎহনবা অমসুং অঙাংশীং অমদী মমা-মপাশীংনা ফাওরীবা সাইকোলোজীকেল ওইবা প্রোব্লেমশীংশী লৌথোকনবগী পামবৈ থীবা য়ামনা মরু ওইনা ক্লাস ১০ অমসুং ১২দা পরীক্ষাগী অহোংবা পুরকপা মথৌ তাই । পনবা য়াবা খরদী ৱাহং চেনাগী তাইপোলোজী হোংদোকপা, মদুনা মরম ওইদুনা চীনফা পুনবা হোৎনবদগী রীজন্নীং অমদী ক্রীএতীব শক্তীনা মহুৎ শীনবা অমসুং পরীক্ষাগা ক্লাসরুমগা অনীগী ওইবা শক্তমগা হেন্না মরী নকশনহনবা, মনুং-মপান ফাওনা উববু পুকনীং থৌগৎপা অমসুং ইনতর্নেল এসেসমেন তৌবা মথৌ তাই । বোর্দগী পরীক্ষাগী মমাংদা লৈরীবা ৱাখল লৈতাদবগী অৱাবশী, অঙাংশীংবু হৌজীক পাক শন্না চৎনরীবা পাস অমসুং ফেল ওইবগী খুৎখনদোকশীবু থাদোকলগা মানা মানা লৈজবা থাকশীংবু খংদোকনবা ওইগদবনী ।

অরোইবা ওইনা দোকুমেন্ট অসীনা এনঃ জিঃ ওঃ, সিভিল সোসাইতি গ্রুপশীং অমসুং ওজাশীংগী শীংলুপগা মহৈ-লোয়শংগী চৎন পথাপগা খুৎশমননা চৎমীন্নবগীদমক হায়রী । হান্না লৈজরমলবা একসপীরীএনসশীংবু লৌখৎতুনা UEE বু থবক ওইনা পাংথোকনবগীদমক মহৈ-মশীং তমবগী হীরমদা থবক স্নুরীবা পুনমককা খুৎ শমনগদবনী ।